# ফ্রান্সকী প্রসিদেন্সিয়ল ইলেক্সন : মেক্রননা লি পেনদগী মাঙজিল থাবগী চাং হান্নদগী হেনখ্রে

পেরিস, মে ০৬ :

ফ্রান্সকী প্রসিদেন্সিয়ল মীখলগী মাঙওইননা মীয়াম্না প্রো-য়ুরোপ কেন্দ্রিদদেট ওইরিবা সেনট্রিষ্ট ইম্মানুঅল মেক্রনবু মহাক্কী লম্বা ওইরিবী পোপ্যুলিষ্ট মরিন লি পেনদগী হেন্না পাম্নবগী ফীভম হৌখিবা য়ুমশকৈশাগী নুমিদাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা টেলিভাইজ দিবেটকী মতুংদা অমুক্কা হেন্না চেৎশিনখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্সিয়ল মীখলগী মাঙওইননা পাঙথোকখিবা মীয়াম্না টেলিভিজনদা য়েংনখিবা দিবেট অদুগী মতুংদা সেনট্রিষ্ট মেক্রনবু 'ৱিন্নর' নি হায়না পাক্তক্লনা লাউথোক্লখি।

দিবেট অদুদা লি পেনবু নিংথিনা শেম শারকখিদবা অমসুং ৱা হঞ্জিন হঞ্জিন্না অমসুং ৱাহন্থোক য়াওদনা ঙাঙবী কেন্দ্রিদেট অমা ওইনা উনখি। মেক্রননা এন মার্চ পার্টিগী লুচিংবা অমা ওইনা পার্টি অসিবু লি পেনগী ফ্রন্ট নেসনেলদগী মাঙজিল থাহনবা ঙমখি। এপ্রিলদা পাঙথোকখিবা অহানবা রাউন্দগী ভোটতা মখোয়নিমক অনীশুবা রাউন্দ য়ৌশিনবা ঙমখিবনি।

লেফটিষ্ট লিবরেসন পাউচেনা ইরাই নুমিৎতা লি পেনবু মায়থীরবা কেন্দ্রদদেট অমগুম ফোঙদোকখি। অমরোমদা লি মোন্দনা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা মেক্রনবু 'ফীভম ফনা লৈরে' হায়না ময়েক শেংনা ফোঙদোকখি। চয়োল অসিগী অঙনবদা হেদলাইন অমনা 'মরিন নৎত্রগা লি পেন অনীমক' থাগৎনিঙাই ওইদে হায়খিবনি।

হান্নগী রাইভলশিং য়াওনা লেফট অমসুং রাইটকী তোঙান-তোঙানবা পার্টিশিংগী মরু ওইবা পোলিটিকেল লীদরশিংনা মেক্রনবু শৌগৎপা ফোঙদোক্লখ্রবনি। মহাকপু মখোয়না ফ্রান্সকী অমসুং য়ুরোপকী লুচিংবা ওইনা খনবদা মতিক চাবা মীওই অমা ওইনা উখি।

ওপিনিয়ন পোলশিংনা মহাক্না মীখলদা মায় পাকপগী রিজল্টশিং উৎখিবগা লোয়ননা মহাক্না ভোট চাদা ৬০ দগী ৬৩ ফাওবা ফংখি।

'লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী রিজল্টশিংগী মতাংদা ঐঙোন্দা চেৎনা থাজবা লৈরে' হায়না ফ্রেঞ্চ প্রাইভেট কম্পেনিশিংগী ফেদরেসন অমগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অমসুং মরু ওইবা পোলিং ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা আই এফ ও পিগী হান্নগী মকোক লোরেন্স পারিসোটনা মপানগী জর্নেলিষ্ট গ্রুপ অমদা হায়খি।




# নেপালনা জজ ইম্পিচ তৌনবা হোৎনরকপগী খোঙথাং য়ু এননা ক্রিটিসাইজ তৌখ্রে

জিনেভা, মে ০৬ :

নেপালনা লৈবাক অসিগী অহানবা নুপী চীফ জষ্টিস ইম্পিচ তৌনবা হোৎনরকপবু য়ু এন হ্যুমেন রাইটসকী চীফনা ইরাই নুমিৎতা অকনবা মওংদা ক্রিটিসাইজ তৌখ্রে। খোঙথাং অদু জুদিসিয়লগী ওইবা নিংতম্বদা চৈথেং পীনবা মওংদা লৌখৎলকপা মাল্লি হায়না রাইটস চীফনা চেকশিন-ৱারোল ফোঙদোকখি।

কোলিসনদা য়াওরিবা মরু ওইবা পার্টি অনীনা সুশিলা কার্জিবু লৈঙাক্কী থবক্তা খুৎ থিংজিল্লি হায়না মরাল শীখ্রবা মতুংদা নেপালগী গর্ভর্ণমেন্টনা চীফ জষ্টিস অসিবু ইম্পিচ তৌনবা মোসন অমা ফাইল তৌখিবনি। সুপ্রিম কোর্টনা হৌখিবা থাদা তাখিবা রুলিং অমনা কঠমন্দুনা থোকখিবা পুলিস চীফ হাপ্পগী ওর্দর ককখিবনি।

'ঐহাক্না নেপালগী ওথোরিটিশিংদা জুদিস্যারিগী নিংতম্ববু ঈকায় খুম্নবা অমসুং পোলিটিকেল ঈথিল চঙবা মানবা ইম্পিচমেন্ট মোসনবু ৱিঠদ্রো তৌনবা তকশিল্লি' হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রাইটস চীফ জৈইদ রাদ জল হুশৈইনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

গভর্ণমেন্টনা জয়া বহাদুর চান্দবু পুলিস চীফ হাপখিবগী ওর্দর কোর্টনা ককখিবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা ইম্পিচমেন্ট মোসন অদু ফাইল তৌখিবনি। গভর্ণমেন্টনা পুলিস চীফ খনবদা হৌজিক চৎনরিবা প্রোসেসশিং অমসুং রেগ্যুলেসনশিং খোঙ্গাওনরে হায়রদুনা এপোইন্টমেন্ট অদুবু ককখিবা কোর্টকী রুলিং অদুনা হায়খি।

জৈইদনা হায় প্রোফাইল অমসুং অরুবা পোলিটিকেল ৱারেপ কয়া লৌবদা কার্কিনা মরু ওইবা থৌদাং লৌখি হায়না ফোঙদোকখি অমসুং মহাকপু চীফ জষ্টিসকী ফমদগী লৌথোক্লবা হোৎনবনা ট্রাঞ্জিস্নেল জষ্টিস অমসুং রুল ওফ লোগা মরী লৈনবা গভর্ণমেন্টকী কম্মিটমেন্টকী মতাংদা অরুবা ৱাফম কয়া লাকহনব য়াই হায়না চেকশিন-ৱা পীখি।

চহী অমরোম সুপ্রিম কোর্টকী মকোক ওইনা লৈরকপদা মহাক্না করপসনগী মায়োক্তা অকনবা ফীরেপ অমা লৌখি হায়না কার্কিগী সপোর্টরশিংনা হায়রি।

মীচং-মীখাই নাই হায়না মরাল শীবা ৱাফমশিংবু থিজিনহন্নবা কম্মিসন শেম্লি অমসুং থিজিনবদু লোইরবা মতুংদা পার্লিয়ামেন্টনা মহাকপু ইম্পিচ তৌগদ্রা হায়বগী মতাংদা ভোট লৌনগনি হায়রি।

# য়ু এসনা ভিজা তান্নবশিংগী সোসল মিদিয়াগী অকুপ্পশিং লৌগদৌরি



ৱাশিংটন, মে ০৬ :

য়ু এসকী ভিজা তান্নবশিংগীদমক্তা ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না কা হেন্না চেকশিন্না য়েংশিনবগী প্রোসেস অম প্রপোজ তৌখ্রে। এদমিনিষ্ট্রেসননা হৌদোক্লিবা প্রোসেস অদুদা এপ্লিকান্টশিংগী সোসল মিদিয়া প্রোফাইলশিং থিজিনবা য়াওরি। টেরর এক্টিভিটিশিং নৎত্রগা অতৈ নেসনল সিক্যুরিটিগা মরী লৈননা চিংনবা য়াবা থৌওংশিংনা মরম ওইদুনা মীরৈবাকমচাশিংবু লৈবাক অসিদা চঙহন্দনবগীদমক্তা খোঙথাং অসি লৌখৎলক্লিবনি।

ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা শগোলশেল নুমিৎতা ইস্যু তৌখিবা নোটিফিকেসন অমনা ভিজা তান্নবশিংদা য়ু এসকী ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা হংবা পাম্বা ৱাহং খরা ফোঙখি। ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা নোটিস অদুদা লৌখৎকদৌরিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা কম্মেন্টশিং কৌখি। খোঙথাং অসিনা চহী খুদিংগী এপ্লিকান্ট ৬৫,০০০ নৎত্রগা মালেমগী মফম কয়াদগী এপ্লিকান্ট অপুন্বগী চাদা ০.৫ দা চৈথেং পীগনি হায়রি।

ত্রাভেল হিষ্ট্রিগা মরী লৈননা করিগুম্বা কোন্সুলর ওফিসরনা এপ্লিকান্ট অদু টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমনা কন্ট্রোল তৌবা এরিয়া অমদা লৈরকখি হায়বগী চিংনবা লৈরবদি এপ্লিকান্ট অদুদা মহাক্কী ইন্টরনেসনল নৎত্রগা দোমেষ্টিক ত্রাভেলগী অকুপ্পশিং পীয়ু হায়বা য়াই' হায়না নোটিফিকেসন অদুনা ফোঙদোকখি।

অনৌবা হেন্না লুশিনহল্লবা ক্রাইটরিয়াগী মখাদা এপ্লিকান্টশিংনা মচিন-মনাওশিংগী মমিংশিং অমসুং পোকপগী তারিখশিং পীবা লোয়ননা এপ্লিকান্ট খরগী ওইনা অনৌবা অঙাংশিংগী মমিংশিং অমদি পোকপগী তারিখশিং পীবগী তঙাই ফদবা লাক্কনি হায়রি।

মখোয়না দিপার্টমেন্ট ওফ ষ্টেটতা মখোয়গী সোসল মিদিয়া হেন্দলশিং অমসুং অতৈ মরী লৈনবা ওনলাইন প্লেটফোর্মশিংগী অকুপ্পশিং পীবসু চঙগনি। মসি তাংদাংবা মীওই খরগী মতাংদদি দিপার্টমেন্ট ওফ হোমলেন্দ সিক্যুরিটিনা ভোলন্টরি ওইনা কলেক্ট তৌরে হায়রি।

করিগুম্বা অনৌবা ক্রাইটরিয়াগী অকুপ্পশিং স্ক্রুটিনি তৌবদা এপ্লিকান্ট অদু ভিজা পীবা য়ারোইদবা থবক থৌওংশিংদা চেন্নরম্বা ওইরবদি কোন্সুলর ওফিসর অদুনা ভিজা পীদবা য়াই।

# নোর্থ কোরিয়ানা সি আই এ অমসুং সিওলবু কিম জোং-উন হাৎনবা লৌতুনখি হায়না মরাল শীখ্রে

সিওল/ৱাশিংটন, মে ০৬ :

য়ু এসকী সেন্ট্রেল ইন্টলিজেন্স এজেন্সি অমসুং সাউথ কোরিয়াগী ইন্টলিজেন্স সার্ভিসনা নোর্থ কোরিয়ন লুচিংবা কিম জোং-উনবু কেপিটেল পিয়োংয়াংদা মিলিটরি পেরেদ অমদা বাইওলোজিকেল বোম অমা শিজিন্নদুনা হাৎননবা মায় পাকখিদবা অরোনবা থৌরাং অমা লাংখি হায়না নোর্থ কোরিয়ানা ইরাই নুমিৎতা মরাল শীখ্রে।

নোর্থ কোরিয়া অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং সাউথ কোরিয়াবু প্রিএম্পটিভ মিলিটরি এটেকশিং চথনবা অমসুং লৈবাক অসিগী লুচিংবশিংবু টার্গেট তৌনবা থৌরাং তৌই হায়না মরাল শীবগী পুৱারী লৈবা লৈবাক অমনি। তৌইগুম্বসুং লৈবাক অসিনা মীচং ওইনবা লৈবাক অনীবু থাঙ্গৈশেংনা লৈবাক অসিগী লুচিংবা হাৎননবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীবসি মসিনা অহানবা ওইবা য়াই হায়না এনালিষ্টশিংনা ফোঙদোক্লি।



পিয়োংয়াংনা লুচিংবা হাৎনবগী অরোনবা থৌরাং অদুগী অকুপ্পশিং ফোঙদোকখি তৌইগুম্বসুং শীরিবা মরাল অসিবু শৌগৎকদবা মশক থোকপা প্রুফতি পীখিদে। শুপ্পগী থৌরাংদু মায় পাকপা ঙম্বগী ৱাফম লৈতে হায়খি।

অমরোমদা, নোর্থ কোরিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ ষ্টেট সিক্যুরিটিগী ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতাংদা সি আই এ অমসুং হ্বাইট হাউসনা কম্মেন্ট পীয়ু য়াখিদ্রে। নোর্থকী মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা সি আই এ অমসুং সাউথ কোরিয়াগী নেসনল ইন্টলিজেন্স সার্ভিসপু নোর্থ কোরিয়াগী 'সুপ্রিম লীদরশিপসু' টার্গেট তৌনবা লৈবাক অসিগী মীওই অমা শেল-থুম পীদুনা নেকখি হায়না মরাল শীখি।

# জর্মনিদা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাউগী বোমশিং দিফ্যুজ তৌবদা মীওই ৫০,০০০ হোন্দোক্কনি

বর্লিন, মে ০৬ :

এক্সপার্টশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎতা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাউগী বোম মঙা দিফ্যুজ তৌরিঙৈদা জর্মনিগী হানোভর সিটিগী মীওই ৫০,০০০ রোম মখোয়গী ময়ুম-ময়ুমদগী হোন্দোক্লগনি হায়না জর্মন ওফিসলশিংনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ওপরেসন অসি লৈবাক অদুদা পাঙথোকপা অসিগুম্বা মখলগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবনি অমসুং মসিনা সিটিসিগী মীওই অপুন্বগী শরুক তরা থোকপগী অমদা শোকহনগনি হায়না বি বি সিগী পাউনা হায়রি।

মী হোন্দোক্কদৌরিবা বিল্ডিংশিং অদুদা ক্যের হোম তরেৎ, ক্লিনিক অমা অমসুং টায়র প্লান্ট অমা য়াওরি। থৌরাং অদুনা শোকহল্লবা মীশিংদু নুমিদাং ফাওবগী মনুংদা অমুক ময়ুম-ময়ুমদা হল্লকপা ঙমগনি হায়না ওফিসলশিংনা থাজবা ফোঙদোকখি।

মী হোন্দোকপগী থবক্তু অয়ুক পুং ৯ দগী হৌগনি অমসুং ময়ুম থাদোক্লবা মতমদা হীদাক-লাংথক্কু স্বা আইটেমশিং লোয়ননবা অমসুং গ্যাস অমদি ইলেক্ট্রিকেল অপ্লাইঅন্সশিং মুথৎলম্মবা মফমদুগী মীশিংদা পাউতাক পীখ্রে হায়রি।



# 'লাঞ্জেন্নখিবা রোহিংয়াশিং অমুকসু মীনুংশি লৈতবা থৌওংশিংগী ভিক্টিমশিং ওইরকপা য়াই'

য়ুনাইটেদ নেসন্স, মে ০৬ : ম্যান্মারগী অৱাংথংবা লমদমদা চথুবা মীওৎ-মীনৈগী থৌওংশিংদগী নাম্থোক্লবা লাঞ্জেনখিবা অমসুং বাংলাদেশতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা রোহিংয়া কম্যুনিটিগী মেম্বর লিশিং কয়া হৌজিকসু লোইদা লৈরিঙৈদা খুদোংথীবা মায়োক্লবা য়াই অমসুং অমুকসু মীনুংশি লৈতবা থৌওংশিংগী ভিক্টিমশিং ওইরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈ হায়না য়ু এনগী সিনিয়র রিফ্যুজি প্রোটেক্সন ওফিসল অমনা চেকশিন-ৱা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এন হায় কম্মিস্নর ফোর রিফ্যুজিস (য়ু এন-ঐচ সি আর) গী এষ্টিমেটশিংগী মতুং ইন্না, ফেব্রুৱারী থা ফাওবদা রোহিংয়া মেম্বর ৭৪,০০০ রোম বাংলাদেশকী কেম্পশিং অমসুং মওং তাদবা মফমশিংদা লৈনখি। নোংজুথা য়ৌরক্লিঙৈ মমাঙদা মখোয়গী লৈফম-চাফমশিং শেমজিন-শাজিনবগী তঙাই ফদবা লৈ। 'মখোয়দা পীরিবা মতেংশিং মওং ইতা তাদবা নৎত্রগা মতিক চাদবদগী মখোয়না চাইল্দ লেবর, জেন্দরদা য়ুম্ফম ওইবা ঈরাংশিং অমসুং ট্রাফিক্কিংগী খুদোংথীবশিং মায়োক্লরি' হায়না বাংলাদেশত লৈবা য়ু এন ঐচ সি আরগী মীহুৎ সিঞ্জি কুনোবগী ৱারোল অমনা হায়খি।

রোহিংয়া মেম্বরশিংনা ময়ুম-মকৈথাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নবা অসি দিকেদ কয়ামুক্কী মমাঙদগী চথুদুনা লাক্লবসু হৌখিবা চহীগী ওক্টোবরদা ম্যান্মারদগী অৱাংথংবা শরুক্তা লৈবা রাখিনে প্রোভিন্সকী বোর্দর পোষ্টশিংদা এটেক তৌবদগী লাকখিবা সিক্যুরিটি ক্লিয়ারেন্স ওপরেসন্না ৱাথোক অমা লাকহনখি। ওপরেসন অদুদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চথখিবা কা হেনবা থৌওংশিংনা মরম ওইদুনা চহী লোইবা ফাওবদা য়ুম্লোন্নবা বাংলাদেশতা মীচম ৪৩,০০০ লোম চেনশিনখি। হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা ইস্যু তৌখিবা রিপোর্ট অমদা য়ু এনগী হ্যুমেন রাইটস ৱিংনা নুপী ময়ামবু সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা গেং রেপ তৌবা, পীক্লিবা অঙাংশিং য়াওনা মীশিংবু হাৎপা, তমথীনা ফুবা অমসুং হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাউনবগী থবক থৌওংশিং কুপ্পা পনখি।

## GRATITUDE


Ashok Kumar

I, Mr. L. B. Adhikari inhabitant of Kanglatongbi, Imphal West, Manipur would like to show my sincere gratitude to **Sir Ashok Kumar**. I have been suffering from **Cervical Spondylosis** about 2 years, I had so much trouble like both my hands could not move freely and frozen quite frequently. But after consultation with him at his clinic, **Ashok Kumar Health Care Centre, Near E.S.U. Ground, Palace Compound, Imphal, ☎ 9612988625.** Now, I am so happy that all my agonies are healed in **just 7 days** of treatment. May God bless him for his endeavor.

*Sd/-* **L.B. Adhikari**
Kanglatongbi, Imphal West

*HL-P/1524/7*

## / মালেমগী অঙকপা "শিদ হিদাক" (লাইথুং ১০৮ কোকপা)

মালেম অসিদা লায়েংবদা ৱারবা লায়নাশিং হায়বদি দাইবেটিস, এজমা, বিপি, লুতাঙ চিকপা, সাইনস, তোনসিন্নচিংবা অনাবশিং শুপ্পতগী থা ২/৩ গী মনুংদা ইরাই লায়না শিদ হিদাক্না ফহনবা ঙল্লে। হিদাক অসিনা ফিঙৌ চৎপা, খৌনাও চাথৎপা মনুংদা মরুম-মরুম শৌবা, নাকোং ঙংবা, লাইখুল, খাঙবা ঙমদ্রবা কোক চিকপা, চৎপদা খুউ নাবা, খুৎ শা হকচাং নিকপা, চাবা মহাও খংদবা, মনম ফাওদবা, নুংশং ককলাই পেরে থোকপা, মচুম তাবা, দাইবেটিস নাদুনা খোঙ মচুম তাবা, খুৎশা পাইশিনবা য়াদবা, মাইহিং কাবা, খোঙয়া লৱাই শাবা, থবাক নাবা, লোক্তা ঈ য়াওবা, থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বা পনবা, গাউট, অথ্রাইটিস, পেরালাইসিস, খ্বাঙ নাবা, চাকখাও নাবা চাথৎপা, কোক ঙাওবা, নাহিতাবা, লেংবা থিনবা, ঈপাই থিফাইনচিংবা অনাবা কয়ামুক ফহনবা ঙমই। হিদাকসি সলাইরেল শিদবা পন্থৌনা তাকপীবা হিদাক অমখক্তনা লাইথুং ১০৮ কোকহনবা ঙম্বা সাইট ইফেক লৈতবা মীওইবগী পুন্সি য়াম্না শাংদোকহনবা হিদাকনি। হিদাকসি **থিংনাম মঙ্গোলজাও মোবাইল নম্বর: ৮৭৩১৮০৭৭৩৯** না মীয়ামগী সেবাগীদমক শেমজবনি।

*হিদাক শেমফম অমদি লায়েংফম :*
**Shid Hidak Manufacturing Centre**
Singjamei Chingamakha Yanglem Leikai

*HL-P/1526/7*

## /ওজা জিয়া উল হগপু পাউচেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎচরি




ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা তোন্সিন্না য়াম্না কন্না নাদুনা শ্বর হোনবা য়াম্না ৱাবা, খৌনাও মনুংদা চাথৎপা, চাবা থকপা য়াদবা, তিন শিৎপা ঙমদবা, ৱা ঙাংবা ঙমদবা, খৌনাও মনুংদা নাই চারগা পোম্বা, খৌনাওদা মরেং-মরেং চৎপা, নাতোন ফুনবা তৌরম্বা অদু **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9615256612** দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **Zia-Ul-Haque** পু মতম চুপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবিখো হায়না পাউচেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

*লায়েংফম ঃ* 1. Kekru Villa North AOC, Opp. AMUCO, UCM Gate Imphal 10 a.m. - 5 pm. 2. Mayang Imphal Konchak Bazar 6 am to ...? 3. Yairipok Bamon Leikai (Only Wednesday&Saturday open).

*থাগৎচরিবা :* **Korimayum Atawar**
***Khelakhong Khongnung***

*HL-B/3821/7*

## / শৌজ খুৎনা ইনশিনবা চঙদ্রবা পদ্রাক পদ্রাক তারকপা, নাই চারগা পোম্বা ফহনবগী ওজা কবিরাজবু থাগৎচরি



ঐ মতম শাংনা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা তিনকুপ লৈবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খ্বাঙ নাবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ য়াওরকপা, খোঙ হাম্বা লোয়বা ঙমদবা, মতম চংবা, শৌজ খুৎনা ইনশিনবা চঙদ্রবা পদ্রাক পদ্রাক তারকপা, নাই চারগা পোম্বা, অমাঙথোং মনুংদা চাথৎপা, পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা তৌরম্বা অদু **এম ডি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম ☎ ৮৫৭৫৮১৪৭২০, ৮৪১৩৮৭০০২৭** দা মতম শাংনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু ঈশ্বরগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কয়ামুদ্দিন কবিরাজবু হায়নিংঙাই লৈতনা পাউচেগী থোংদা হন্না হন্না খুরুমজরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am. 2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm

*থাগৎচরিবা :* **Thoudam Ningthem**
*Thangmeiband Lairenhanjaba Leikai*

*HL-P/1081/7*




## /EMPLOYMENT NEWS

### SBI Recruitment – State Bank Of India – 554 Special Management Executive (Banking) Vacancy – Last Date 18 May 2017

**SBI Recruitment 2017**
State bank of India (SBI) invites Application for the post of 554 Special Management Executive (Banking). Apply Online before 18 May 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : CRPD/SCO-SME/2017-18/03

**SBI Job Details :**
Post Name : Special Management Executive (Banking)
No. of Vacancy : 554 Posts
Pay Scale : Rs. 31705-45950/- OR Rs. 42020-51490/-

**Grade wise Vacancy :**
MMGS III : 273 Posts
MMGS II : 281 Posts

**Eligibility Criteria for SBI Recruitment :**

Educational Qualification : CA / ICWA / ACS / MBA (Finance) or equivalent post graduation degree in Finance.

Nationality : Indian
Age Limit : Minimum and maximum age limit is 25 to 40 years for MMGS III and 25 to 35 years for MMGS II as on 31.03.2017

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on online objective test, group exercise and/or interview.

**Application Fee :** Candidates belonging to General / OBC have to pay Rs. 600/- & Rs. 100/- for SC/ST/PWD through Online.

**How to Apply SBI Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website https://www.sbi.co.in from 03.05.2017 to 18.05.2017 hereafter website link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 03.05.2017
Last Date for Submission of Online Application : 18.05.2017

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : https://www.sbi.co.in/webfiles/uploads/files/1493729344938_ADVERTISEMENT_ENGLISH.pdf

**Apply Online :** http://ibps.sifyitest.com/sbismeapr17/

### RBI Recruitment – Reserve Bank of India – 161 Officers (Grade B) Vacancy – Last Date 23 May 2017

**RBI Recruitment 2017**
Reserve Bank of India (RBI) invites application for the post of 161 Officers in Grade 'B'. Apply Online before 23 May 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt No. : 5A /2016-17

**Job Details :**

Post Name : Officers in Grade 'B'
No. of Vacancy : 161 Posts
Pay Scale : Rs.35150-62400/-

**Streams wise Vacancies :**
General : 145 Posts
DEPR : 12 Posts
DSIM : 04 Posts

**Eligibility Criteria for RBI Recruitment :**
Educational Qualification :
For General : A minimum of 60% marks (50% in case of SC/ST/PWD) or an equivalent grade in Bachelor's degree as well as in 12th (or Diploma or equivalent) and 10th Standard examinations.

For DEPR : A Master's Degree in Economics / Econometrics / Quantitative Economics / Mathematical Economics / Integrated Economics Course/ Finance, with a minimum of 55% marks or an equivalent grade in aggregate of all semesters /years from a recognised Indian or Foreign University /Institute.

For DSIM : A Master's Degree in Statistics/ Mathematical Statistics/ Mathematical Economics/ Econometrics/ Statistics & Informatics from IIT-Kharagpur/ Applied Statistics & Informatics from IIT-Bombay with a minimum of 55% marks or equivalent grade in aggregate of all semesters / years.

Nationality : Indian
Age Limit : Minimum & Maximum age limit is 21 to 30 years as on 01.05.2017

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on Online Examination Phase – I and Phase – II & Interview.

**Application Fee :** GEN / OBC Candidates have to pay Rs. 850/- and Rs.100/- for SC/ST/PWD through Debit Cards (RuPay/Visa/MasterCard/Maestro), Credit Cards, Internet Banking, IMPS, Cash Cards/ Mobile Wallets.

**How to Apply RBI Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://www.rbi.org.in form 03.05.2017 (for Gr B DR General), 05.05.2017 (for DEPR /DSIM) to 23.05.2017 till 11:59 PM thereafter website link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 03.05.2017 (for Gr B DR General), 05.05.2017 (for DEPR /DSIM)
Last Date for Submission of Online Application : 23.05.2017

**Important Links :**
Detailed Advertisement Link : https://rbidocs.rbi.org.in/rdocs/Content/PDFs/DEPRD030520179C40C723B6CE4AF187FF9AC709A025BE.PDF
**Apply Online :** http://ibps.sifyitest.com/rbisbogbgapr17/